# অসামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,৭২৭ থেংনখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):

অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,৭২৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা পুন্না মীওই ২৩ লৈহনখিদ্রে হায়না অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পুং ২৪ গী মনুংদা ষ্টেট অদুদগী পুন্না সেম্পল ১,৩৩,৭৬০ লৌখত্তুনা টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভকী অনৌবা কেস ১,৭২৭ থেংনখিবনি। ঙসিগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১.২৯ ওইরি। ঙসি থেংনখিবা অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ২৫০ দি কামরূপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খত্তদগীনি।

লায়না লাইচং অসিনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ২৩ শিহনখ্রবসু মীওই কয়া অমদি লায়চং অসিদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিদা ঙসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেট অসি চাদা ৯৫.৬৫ ওইরি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা অসামদা কোভিদ-১৯ গী কেস ১,৭৮২ থেংনখি। অদুগা মীওই ২৪ শিহনখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা পুন্না খোমগৎখিবা সেম্পল ১,২৭,৪৯০ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা ১,৭৮২ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ক্রোর ৩৯.৯৬ তা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজশিং কাপথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচং অসিদগী পুন্না মীওই ৩,০২,২৭,৭৯২ রিকোভর তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা এক্তিভ কেস মশীং ৪,২৪,০২৫ লৈরি।



ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা কুম্মৈ ইদ-অল-জুহাগা মরী লৈননা সোসল ৱার্করসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট একজিক্যুটিভ মেম্বর খুন্দ্রাকপম মেঙোর মঙাংনা শঙ্গাই য়ুম্ফমগী য়ুমথোং ৩,০০০ লোমদা চানা থক্নবা পোৎলমশিং মতেং পীখিবা

# পোজিটিভকী চাং ৱাংলবসু নাগালেন্দগী স্কুল অমদি কোলেজশিং হাংলগনি

কোহিমা, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):

নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা অনলোক্কিংগী অহুমশুবা ফেজ লাউথোকখ্রে। ফেজ অসি জুলাই ১৮ দগী হৌরগা ওগষ্ট ১ ফাওবগীনি। অনলোক্কিংগী অহুমশুবা ফেজ অসিদা গভর্ণমেন্টনা মখা তানা অথিংবশিং কোমথোকপগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং অমসুং কোলেজশিং জুলাই ২৬ তগী অমুক হন্না হাংদুনা ক্লাস তৌহল্লগনি।

ষ্টেট অসিদা কোরোনা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১০ গী মথক ওইদুনা ৱাংনা লৈরিঙৈদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন নৈবা কোলুগী মতুং ইন্না স্কুল অমসুং কোলেজশিং হাংবগী ৱারেপ অসি চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ গী হায় পৱার কম্মিটিগী মীফম অমদা লৌখিবনি। কম্মিটিনা দিষ্ট্রিক্ট টাক্স ফোর্সশিংনা পীরকপা রিকম্মেন্দেসনশিং খন্নখি। ৱারেপ অসিগী মতুং ইন্না হায় স্কুলশিং অমসুং কোলেজশিং অমুক হন্না হাংলগনি হায়না লাউথোকখি। টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফ খুদিংমক মাংজৌননা য়ামদ্রবদা ভেক্সিন দোজ কাপক্কদবনি।

# মিজোরামগী কেপিটেল আইজোলদা নুমিৎ ৭ নি টোটেল লোকদাউন থমখ্রে

আইজোল, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):

মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা আইজোল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন (এ এম সী) এরিয়াদা অমুক হন্না নুমিৎ ৭ নিগী মপুং ফাবা লোকদাউন থমখ্রে। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ কেস মখা তানা ৱাংখৎলকপদগী মতম খরা লোকদাউনগী অথিংবশিং কোমথোক্লুরবা মতুংদা আইজোল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন এরিয়াদা চয়োল অমা লোকদাউন মপুং ফানা থম্বগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, এ এম সী এরিয়াদা জুলাই ১৮ দগী টোটেল লোকদাউন থম্লগনি অমসুং মসি জুলাই ২৪ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা চৎনগনি। টোটেল লোকদাউন থম্লিবা মফমশিংদা মীয়াম্না য়ুমলোন কৈরোন্নরিবশিং নৎত্রগা মরী মতাশিংগী য়ুমদা চৎপদা অথিংবা লৈগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ গী ফীভম য়েংলগা দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিংনা ষ্টেট অসিগী অতৈ মফমশিংদসু লোকদাউন নৎত্রগা অতৈ অকনবা অথিংবশিং থম্লকপা য়াই হায়নসু গভর্ণমেন্ট ওর্দর অদুদা পনখি।

# দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং চাদা ৬০ আই সী য়ু বেদশিং লৈতে

গুৱাহাটি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):

অসাম এসেমব্লিগী হৌজিক চথুরিবা বজেট সেসনদা ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা হায়খ্রে মদুদি অসামগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংগী চাদা ৬০ দি আই সী য়ু বেদশিং লৈতে। হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা হেল্থ ক্যের ইনফ্রাষ্ট্রকচরকী ঙকনিংঙাই ওইরবা ফীভম অসি বজেট সেসনদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না ৱাফম অসি কোংগ্রেস এম এল এ নুরুল হুদানা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি,



আই সী য়ু বেদকী ফেসিলিটি অসি ষ্টেট অসি সব দিভিজনেল সিভিল হোস্পিটাল অমত্তদা ফংদ্রি। হেল্থ মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ২৫ গী মনুংদা শুপ্নগী ১০ খক্তদা আই সী য়ু বেদশিং লৈ। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংগী অপূনবা আই সী য়ু বেদ অসি ১৭৮ নি।

হোস্পিটাল ৭ তা আই সী য়ু বেদশিং হাপচিনবগী থবক পায়খৎলক্লি। ষ্টেট অসিগী এস দি সী ঐচ ১৫ মক্তা আই সী য়ু বেদ অমত্তা লৈতে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ২০ দা ওক্সিজেন বেদশিং লৈরবসু শুপ্নগী এস দি সী ঐচ ৮ দা ওক্সিজেন বেদশিং লৈ। মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায় দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন বেদ ৪৫৮ লৈ অমসুং এস দি সী ঐচশিংদা ওক্সিজেন বেদ ৬৩ লৈ। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ৫ দা আই সী য়ু অমসুং ওক্সিজেন বেদ অমত্তা লৈতে অদুগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ১১ দা ওক্সিজেন অমসুং আই সী য়ু বেদ অনীমক লৈ হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

ONLINE REGISTRATION OPENS FOR
CLASS XI (Sc.), 2021-22

MODE OF ADMISSION : THROUGH ONLINE ENTRANCE TEST

For Registration Please Log in to School website
(www.cometschool.in)

Last date of registration : 20th July, 2021

Eligibility : Class X Passed/Class X result awaiting students in the Examination, 2021

For details check the school website (www.cometschool.in)

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/7039/17,18,19

## EMPLOYMENT NEWS

Indian Army Women Military Police Recruitment 2021: Applications are invited fro4n eligible Duty (Women Military Police) in Indian Army. The last date for registration of online applications is 22nd July 2021. The Recruitment rallies are planned to be conducted at Ambala, Lucknow, Jabalpur, Bangalore, Shillong and Pune.
INDIAN ARMY ENROLMENT OF SOLDIER GENERAL DUTY (WOMEN MILITARY POLICE) BELOW OFFICER RANK FOR RECRUITING YEAR 2021-22
Name of the Post
Total Vacancies
Soldier General Duty (Women Military Police)
100
Age Limit:
17 1/2 to 21 years (Born between 1st October 2000 to 1st April 2004)
The upper age limit will be relaxable up to 30 years of age in respect of Widows of Defence personnel who have died in harness
Pay Scale: As per Rules.
Educational Qualifications:
Class 10th / Matriculation Pass with 45% Marks in aggregate and 33% in each subject.
For Indian Gorkhas - 10th class simple Pass.
Minimum Physical Requirements:
Height: 152 Cms.
Weight: Proportionate to height and age as per Army Medical Standards.
Selection Process:
Written Test (Common Entrance Examination)
Physical Fitness Test (1.6 Km Rum, Long Jump 10 Feet, High Jump 3 Feet)
Medical Examination
Documents Verification.
Application Fee: Nil
How to Apply: Online Registration will be made through Join Indian Army official website from 6th June 2021. The last date for registration of online application is 22/07/2021. Admit cards for the rally will be sent through registered email.

---

OSSSC Revenue Inspector Recruitment 2021: Odisha Sub Ordinate Staff Selection Commission (OSSSC) Bhubaneswar invites online applications from eligible candidates for recruitment of 586 District cadre posts of Revenue Inspector on contractual basis in various district establishments under the Revenue and Disaster Management Department of Government of India. The OSSSC Revenue Inspector 2021 online registration process will be start from 24th June 2021 and scheduled to be held on 23rd July 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Revenue Inspector
586
Age Limit: 20 to 32 years as on 1st January 2021. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scale: ? 35400/- (Pay Matrix Level - 9, Cell - 01) Consolidated Monthly Remuneration ? 16,880/- per month
Educational Qualifications:
The candidates must have passed a Bachelor Degree examination in any discipline or equivalent qualification.
Candidates having Knowledge in Computer Application.
A Candidate must be able to speak, read, write Odia and have passed Middle School Examination with Odia as a language subject.
Selection Process:
Written Test
Skill Test
Application Fee:
100/- examination fee for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PwD category candidates.
The fee should be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through OSSSC Online Application Portal (osssc.gov.in). The last date for registration of online applications is 30/07/2021.


---

UP NHM CHO Vacancy 2021 upnrhm.gov.in: National Health Mission (NHM), Uttar Pradesh invites online applications from eligible candidates for 06 Months Certificate in Community Health for Nurses (CCHN) Training for the 2021-22 session. Only online application will be accepted and vacancy shall be subjected to State reservation policy of Uttar Pradesh. The Online Registration process will be start from 30th June 2021 to 20th July 2021.
UP NRHM CAREER OPPORTUNITY FOR NURSING PROFESSIONALS – 2800 VACANCIES
Name of the Post
Total Vacancies
Community Health Officer (CHO)
2800
Age Limit:
Not less than 35 years as on 20th July 2021.
Upper Age Limit is relaxed by: 03 Years for OBC (Non-Creamy Layer) / 05 Years for SC/ST / Plus 10 years for Persons with Disabilities.
Stipend (As per Old Advt.): ? 20,000/- per month will be offered as stipend during the training period. Maximum ? 35,000/- per month will be offered at the time of posting at District as CHOs subject to guidelines issue by Government of India.
Job Location: Multiple locations in Uttar Pradesh state.
Educational Qualifications:
General Nursing and Midwifery (GNM) from a recognized Institute (OR) B.Sc. Nursing or Post Basic B.Sc. Nursing from a recognized Institute/ University.Candidates who have General Nursing and Midwifery (GNM) from a recognized Institute.
Candidates must be registered as Nurse and Midwife from UP Nurses & Midwives Council and have valid registration certificate at the time of online submission of application.
Selection Process: Computer Based Test - The Test consisting of two sections of total 100 marks. Section-I (80 Marks) will consist of Professional Knowledge(Discipline related) and Section-II (20 Marks) will consist of General Aptitude, Reasoning, General Awareness and Basic Computer knowledge with 100 multiple choice questions (MCQ).
Application Fee: Will be Notified later.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ UP NRHM Official website (upnrhm.gov.in) from 30th June 2021 at 11:00 Hours. The last date for registration of online applications is 20/07/2021 up to 23:59 Hours.

---

UP NHM CHO Vacancy 2021 upnrhm.gov.in: National Health Mission (NHM), Uttar Pradesh invites online applications from eligible candidates for 06 Months Certificate in Community Health for Nurses (CCHN) Training for the 2021-22 session. Only online application will be accepted and vacancy shall be subjected to State reservation policy of Uttar Pradesh. The Online Registration process will be start from 30th June 2021 to 20th July 2021.
UP NRHM CAREER OPPORTUNITY FOR NURSING PROFESSIONALS – 2800 VACANCIES
Name of the Post
Total Vacancies
Community Health Officer (CHO)
2800
Age Limit: Not less than 35 years of age at the date of Advertisement.
Stipend (As per Old Advt.): ? 20,000/- per month will be offered as stipend during the training period. Maximum ? 35,000/- per month will be offered at the time of posting at District as CHOs subject to guidelines issue by Government of India.
Job Location: Multiple locations in Uttar Pradesh state.
Educational Qualifications:
Candidates who have General Nursing and Midwifery (GNM) from a recognized Institute. (OR)
B.Sc. Nursing or Post Basic B.Sc. Nursing from a recognized Institute/ University.
Eligibility: Candidates must be registered as Nurse and Midwifery from UP Nurses & Midwives Council and have valid registration certificate at the time of online submission of application.
Selection Process: Will be Notified later.
Application Fee: Will be Notified later.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ UP NRHM Official website (upnrhm.gov.in) from 30th June 2021 at 11:00 Hours. The last date for registration of online applications is 20/07/2021 up to 23:59 Hours.

## CROSSWORD-3843



### ACROSS
1 Pail (6)
4 Collect (4,2)
8 Smouldering fragment of wood or coal (5)
9 Store of weapons (7)
10 Make right (7)
11 Serious (5)
12 Retaliation (3,3,3)
17 Drained of colour (5)
19 Obtain (7)
21 Old war vehicle (7)
22 Wrong (5)
23 Part of the eye (6)
24 Actually (6)

### DOWN
1 Whitening chemical (6)
2 Floor-show (7)
3 Spooky (5)
5 Perception (2,5)
6 East African country (5)
7 Filch (6)
9 Space traveller (9)
13 Stress (7)
14 Of little importance (7)
15 Fourth sign of the zodiac (6)
16 Largest of the Channel Islands (6)
18 Core (5)
20 Tremble (5)

**Solution 3842**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | U | N | T | ■ | A | S | C | E | N | D | E | D |
| V | ■ | O | ■ | G | ■ | I | ■ | M | ■ | E | ■ | A |
| I | N | V | O | L | V | E | ■ | M | A | C | A | W |
| A | ■ | E | ■ | A | ■ | S | ■ | E | ■ | R | ■ | N |
| T | A | L | O | N | ■ | T | O | T | T | E | R | ■ |
| O | ■ | ■ | ■ | C | ■ | A | ■ | ■ | ■ | E | ■ | I |
| R | O | T | T | E | N | ■ | W | O | R | S | E | N |
| S | ■ | U | ■ | ■ | ■ | B | ■ | U | ■ | ■ | ■ | N |
| ■ | I | N | H | A | L | E | ■ | T | O | R | S | O |
| U | ■ | I | ■ | D | ■ | A | ■ | F | ■ | A | ■ | C |
| G | U | S | T | O | ■ | C | U | I | S | I | N | E |
| L | ■ | I | ■ | R | ■ | O | ■ | T | ■ | S | ■ | N |
| Y | E | A | R | N | I | N | G | ■ | T | E | N | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3642**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 4 | | | | | | |
| | | 6 | | 3 | | | | |
| 5 | | | 1 | | | | 7 | |
| | | 1 | | 8 | 2 | 9 | | |
| 7 | | 3 | | | | 1 | | 4 |
| | | 9 | 7 | 1 | | 6 | | |
| | 8 | | | | 9 | | | 3 |
| | | | | 2 | | 8 | | |
| | | | | | | 2 | 1 | |

**Solution-3641**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 9 | 8 | 7 | 4 | 2 | 5 | 3 |
| 7 | 8 | 2 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 6 |
| 5 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 2 | 9 | 8 | 4 | 1 | 6 | 5 | 3 | 7 |
| 1 | 6 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 9 | 2 |
| 4 | 3 | 5 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 | 8 |
| 3 | 5 | 1 | 6 | 2 | 9 | 8 | 7 | 4 |
| 9 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 | 3 | 2 | 5 |
| 8 | 2 | 4 | 7 | 5 | 3 | 6 | 1 | 9 |

